## সেক্রেটরিএট ইমপ্লোয়ীশিংগী ষ্ট্রাইক চথরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পেগী পে মেট্রিক্স চৎনহনগদবনি, ষ্টেটকী ওইনা শেমদোকপা পে মেট্রিক্স চৎনবা য়ারোই হায়না মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিস এসোসিএসন্না ঙরাংদগী চথরকখিবা ইন্দিফিনিট সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক মখা তানা চথরি।

সেক্রেটরিএটকী ষ্টাফ কয়ানা ঙসি মাগী মাগী কাদগী থোক্লগা ওল্ড সেক্রেটরিএট ওফিসকী কোরিদোরদা ৱাকৎ মীফম চথখি। খোঙজং অদুগী মতাংদা মণিপুর সেক্রেটরিএট সর্ভিস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবমনা ফোঙদোকখিবদা, তরেৎশুবা পেগী ওইনা সেন্টরনা শেল্লিবা পে মেট্রিক্স চৎনহনগদবনি। মমাঙদা ইমপ্লোয়ীশিংগা লৈঙাক্কা ৱারী শানবদা য়ানখিবসু তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পেগী ষ্ট্রকচর অদুদা পীগদবনি হায়বা ৱাফমনি। হৌজিক ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেটনা শেমজবা পে মেট্রিক্স অমা চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়াবা ঙম্লোই। ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সেক্রেটরিএট সর্ভিস এসোসিএসন্না সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিনবনি। মখা তানা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চথখিগনি। লৈঙাক্কা য়ানবা অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## রিফোর্মেসন এন্দ রিনোভেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): অপাথৌ চীংঙুনা কৈরেনফাবীদা শাফোংলকপগী ৭ শুবা এন্যুএল ফঙ্কসন ফোর রিফোর্মেসন এন্দ রিনোভেসন দেগী থৌরম কৈরেনফাবীদা লৈবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

অপাথৌ হুইময়োল হুইফা হুইথাবা লূপ (এ ঐচ ঐচ ঐচ এল) কৈরেনফাবী, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, মালেম অসি মহাক্কী খুৎশেমনি অদুনা অপাথৌগী পাউজেলনা মালেমগী মীয়ামদা মহাক্কী খুৎশেমনি হায়বসি খঙহল্লক্লিবনি।

পুন্না ঈংনা চিক্না হিংমিন্নবা অসি মীওইবা ঐখোয়গীদি অথোইবা লাইনিংনি। লাইনিং অসিগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা ৱাপাও অসি মীয়ামদা শন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনসি। তংদু লৈতাদ্রবা মতমসিদা লাইনিং অসি শন্দোকপা মতমদা তংদু লৈতাবা ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা থাঙ্গা এ সীগী এম এল এ, টি রোবিন্দ্রোনা হায়খি, ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎমিন্নবা চঙই। মসিদা শাগৎপা ঙম্লবদি ঐখোয় চাউখৎপা ঙমগনি। শেম্বীবা মপুগী লাইনিং লম্বীদা চঙশিনবা ঙম্লবা মতমদা মালেমসি ঈংনা চিক্না লৈবা ঙমগনি হায়খি। থৌরম অদুদা লাইনিংলোয়শিংগী ওইবা লূপকী শক্লাইরবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): মোংশাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ১ গী লৌমী খুঞ্জা পুম্নমক্ন া অৱা-অনা থাদোক্তুনা ঈশিং চিংশিন্নবা লৌখোং তেংদুনা অমদি তৌদুনা হোৎনখি। মসিদা মতেং পাংবীরকখিবা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়না অপূনবা লৌমী লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি থৌয়াম্বা মঙাংচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা ঈকং থোকপগী অৱাবা মায়োক্লবদা চৈথেং ফংলিবসি লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনি। মোংশাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ১ গী লৌমী অমদি খুঞ্জা কয়ানা ঈশিং চিংশিন্নবা লৌখোং তৌদুনা হোৎনখি। মসিদা জিলা পরিষদ নাওরিয়া, অধক্ষা ইম্ফাল ৱেষ্ট আর কে তরুনি, প্রধান এস নন্দেশ্বরী, সোসল ৱার্কর কে মনোরঞ্জন, ও মালেস, এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দ, প্রধান গঙ্গা, হিয়াংথাং জেদ পি সিলাসনা, মোংশাঙ্গৈ জি পি মেম্বর ৱার্দ নম্বর ১ এস রুপো, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি এম দিনেশ্বর অমদি এম এল এ, এস সুভাসচন্দ্রনা মতেং কয়া পাংলকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মীয়ামগী মতেং ফংলবদি লৌকোল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লৌমীশিংনা অৱাৎপা লৈতনা ঈশিং ফংগনি হায়রি।

## ‘ম্যুজিয়ম মরি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুখৎলগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩(ঐচ এন এস): অথুবা মতমদা মণিপুরগী ম্যুজিয়ম মরি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুখৎলগনি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।




ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুখৎকদৌরিবা ম্যুজিয়মশিং অদুদি, মোইরাংগী আই এন এ ম্যুজিয়ম, ইম্ফালগী মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম অমসুং কংলা মনুংদা লৈরিবা ম্যুজিয়ম অনীনি। মোইরাংগী আই এন এ মার্টরস কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মি অমসুং প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্ট ওফ ফ্রী যুনাইটেদ ইন্দিয়াগী ৭৫শুবা কুমওনগা মরী লৈননা আই এন এ মার্টরস কমপ্লেক্সতা মৌলানা অবুল কলাম ইন্সটিট্যুট ওফ এসিয়ন ষ্টডিজ কোলকটানা শীন্দুনা আই এন এ এন্দ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা নুমীৎ নীনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদা মোইরাংনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা মফম কনখিবা তারবসু লৈবাক অসিগী মীওই অয়াম্বনা খঙনদবগী মওং অমা উবা ফংই হায়না পল্লদুনা মিষ্টিরনা হায়খি, ইন্দিয়াগী ময়োল লমদম অমদি অতৈ মফম কয়াদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা মোইরাংগী মরুওইবা পুম্নমক ময়েক শেংনা খঙহনবা তঙাইফদে।

নুমীৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা সেমিনারগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, আই এন এদা য়াওবা মথৌনা লৈরবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীওইশিংনা লৌখিবা থৌদাং মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা সেমিনার অসিনা অচৌবা মতেং অমা ওইনরগনি। ইম্ফালদা শোক্লখিবা লানফম অমদি কোহিমাগী লানফমবু ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদা খ্বাইদগী মরুওইবা লানফমনি হায়না লৌনবগা লোয়ননা লানফম অদুদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়াম্না লৌখিবা থৌদাংবু শকখঙদুনা খ্বাইদগী মথৌনা লৈরবা নীংতম লাম্মী ওইনা শকখঙনখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ পি শরত; মৌলানা অবুল কলাম ইন্সটিট্যুট ওফ এসিয়ন ষ্টডিজ কোলকটাগী দিরেক্টর, ডা. মুন্দায়ট শশিকুমার; ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী অমরকান্তক, মধ্য প্রদেশকী ভাইস চান্সেল্লর প্রো. টি ভি কাতিমনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। তোঙান-তোঙানবা কোলেজগী রিছার্স স্কোলর ওজা অমদি মহৈরোয়শিং; আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি সিনিয়র সিটিজন কয়াসু শরুক য়াখি।

## সী এম ঐচ টিগী কান্নবশিং খঙমিন্নদুনা খুদোংচাবা লৌমিন্নসি : কে বিক্রম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সী এম ঐচ টি)গী কান্নবশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা খুদোংচাবা লৌমিন্নসি হায়না বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশকী এক্স-ভাইস প্রসিদেন্ট বিক্রম কোংখামনা ফোঙদোকখ্রে।

নাগামপালদা লৈবা কে বিক্রমগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা সী এম ঐচ টি অমদি অয়ুশমান ভারত (নেসনল হেল্‌থ প্রোটেক্সন স্কিম) গী নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, শেল লৈতবনা মরম ওইরগা লায়েংবা ঙমদনা লৈরিবা কয়াগী অৱাবা উবদগী ষ্টেট লৈঙাক্না সী এম ঐচ টি অসি হৌদোরকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা অনা-লায়েংগী তেংবাংগী স্কিম অসি য়াম্না কান্নবা অমনি। শেল লৈতবদগী লায়েংবা ঙমদনা লৈরম্বা মীওই কয়া সী এম ঐচ টি কার্দ পায়দুনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটাল কয়াদা মশানা শেল পুথোক্তনা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংনখ্রে। সী এম ঐচ টিদা য়াওরিবা কান্নবশিং অসি খঙমিন্নবগা লোয়ননা মসিগী খুদোংচাবা লৌসি। সী এম ঐচ টি কার্দ ফংবা য়াবা য়ুমথোঙ কয়া হৌজিক ফংদবা য়াওরি। ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

লৈঙাক্না অখন্ননা পায়খৎলিবা স্কিম অসিগী খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনবা তাই। হিরম অসিগী মতাংদা খঙবা ৱাৎপশিংদসু পাউ পীবীদুনা কার্দ শাবদা মতেং পাংসি। লায়রবনা মরম ওইরগা শেল লৈতবদগী লায়েংবা ঙমদ্রিবা কয়াদা খুদোংচাবা ফংহনসি। হৌজিক্কী মতমদা লায়না মখল কয়া থোরক্লি। চাউখৎলকপগা ঈরোয়ননা তোঙান তোঙানবা লায়না লায়ওং কয়া লাকপা অসিনা লায়েংবদা শেল য়াম্না চঙলি। শেন্থোক ৱাৎপা কয়া অমদি লায়েংবা ঙমদনা লৈরিবনি। লায়েংবদা চঙগদবা শেল অদু য়ুমগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক অমদি অঙাংশিং মহৈ-মশিন তম্বদা থাদরবদি কান্নগদৌরিবনি।

হকচাং ফনা লৈবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। নারক-য়েক্লকপা মতমদা মতম চানা লায়েংদুনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনসি। অয়ুশমান ভারত অসিসু য়াম্না কান্নবা স্কিম অমনি। সেন্টরনা হৌদোরকপা স্কিম অসিগী মখাদসু অনা-লায়েংগী তেংবাং কয়া ফংলিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী এম ঐচ টিগী কোওর্দিনেটর টি ঐচ শরতনা হায়খি, সী এম ঐচ টি অমদি অয়ুশমান ভারতকী মখাদা অনা-লায়েংগী তেংবাং লৌনবা কার্দনচিংবা শাহৌসি। হিরমসিগী মতাংদা এৱ্যের্নেস য়াম্না মরুওই। মতৌ করম্না কার্দ শাগদগে খঙজদবা অদুবু স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংফম থোক্লবা মীওই কয়া অমা লৈরিবনি। মখোয়দা ঈ-পাউ নীংথিনা পীবীদুনা কার্দ শাহনবগা লোয়ননা খুদোংচাবা ফংহনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ঈচেল ক্লবকী প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্র কুমারনা হায়খি, অনা-লায়েংগী লমদা মতেং লৌবা য়াবা স্কিম হৌদোরকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌনবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। তুংদা মীওই কয়াদা সী এম ঐচ টি কার্দ য়েন্থোকখি।

## এক্সপো লোইশিনখ্রে, ওর্গানিক্কী পোত্থোক লৈগে হায়রক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): দিল্লিগী প্রকৃতি মৈদ্যানদা চথরকখিবা ১৬ শুবা এগ্রো ফুদ এন্দ ওর্গানিক বাইওটেক ইন্দিয়া ৱর্ল্ড এক্সপো ঙসি লোইশিনখ্রে। মপান লমগী বায়র কয়ানা মণিপুরগী ওর্গানিক্কী পোত্থোক কয়া লৈগে হায়না হায়রক্লে।

ঙসি পাঙথোকখিবা এক্সপো লোইশিনবগী থৌরমদা অসামগী এগ্রিকলচর, এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি মিনিষ্টর অরুন বোরানা এক্সপো অদুদা হাংবা মণিপুরগী মোমা অমসুং এম আই দি ঐচকী ষ্টোলশিং থৱায় তানা য়েংলমখি। এক্সপো অসিদা উৎলিবা মণিপুরগী ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংনা পাম্না লৈনখি। মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভলপমেন্ট ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মখাদা শরুক য়াবা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সী (মোমা) গী ওর্গানিক মণিপুর ব্রান্দ প্রদক্সন মপান লমগী বায়র কয়ানা লৈগে হায়না হায়রকখি। চাকহাও, উ মোরোক, শীং, য়াইঙং, কিহোমনচিংবা ওর্গানিক্কী পোত্থোক কয়া এক্সপো অসিদা উৎখি হায়রি।

ৱর্ল্ড এক্সপো অসি গোৱাদা লৈবা ডা. সর্মা প্রসাদ মুখর্জি হোল অমদি ন্যু দিল্লিগী প্রকৃতি মৈদ্যানদা মফম অনী থোক্লা থা অসিগী ১ দগী পাঙথোরকখিবনি। মফম অনীমক্তা মোমানা ষ্টোল হাংদুনা মণিপুরগী ওর্গানিক্কী পোৎলম কয়া উৎখি। মফম অনীমক্তা হাংবা ষ্টোলশিংদা মীয়াম্না পাম্না লৈনখি হায়রি।

## ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না পীবা চৈথেং অমসুং নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইমগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমসুং মসিনা খুন্নাইসিদা পীরক্লিবা চৈথেং অমসুং নুপী-অঙাংদা চথরক্লিবা ক্রাইমগী চৈথেং হায়বসিদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজগা খুৎশম্নদুনা খন্ন-নৈনবা থৌরম লম্ফেলদা লৈবা নুপী সমাজগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রমনি লৈমনা হায়খি, ঐখোয় নুপীশিং পুনশিন্নদুনা নুপীশিংগী ওইবা প্রোব্লেমশিং থেংনবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই। নুপীশিংনা লৌবা য়াবা থৌদাংদা কম্মিসনসু খুৎশম্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চ্যেরপার্সন প্রোফেসর ডা. বিনোতানা হায়খি, ঐ ঐগী ইমুংগী ইপুরোইবা, ইচা-ইশুনা য়ু থক্লগা মৈরা পায়বী থোক্লবদি মদুগী ৱাহন্থোক লৈগদ্রা। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবদি অমুকসু লেপ্পা য়াবা নত্তে। মসিনা খরমখৈদি কন্দুনা লাক্লিবনি।

রিজোল্যুসন য়াওদ্রবদি অমদি পোলিসী য়াওদ্রবদি মফম খুদিংমক্তা থোক্তুনা লৈগনি। পোলিসী অমদি থমসি, চীংদসু মখোয়গী চৎনবী লৈরি মসিদা খরদি য়েংবা চঙই। সী এস ওশিংগা লৈঙাক্না চৎমিন্নবা চঙই। পোলিসী শেমদুনা লৈঙাক্কা চৎমিন্ননবা হোৎনবদা থৌদাং য়াগনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবদি ঙম্লোই অদুবু খরদি হন্থহনসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা চীংমী-তম্মীগী প্রসিদেন্ট এস মোমোন লৈমনা হায়খি, ইমাশিংনা থেংনদুনা লাক্লিবসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা ইচাশিং অদুবু কন্নবা হোৎনরকপনি। মসিদা থৌদাং লৌমিন্নরিবা ইমাশিংগীদমক্তা কম্মিসন্না খঙবীদুনা মতেং পাংবা অমদি লৈঙাক্না তৌহন্নিংবশিং তৌহন্নবা হোৎনবদা অপাম্বশিং ফোঙদোকপসি চুম্মী হায়খি।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মা লৈমনা হায়খি, লিশাং শিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী খোঙজংদা লাক্লিবসি ঐগী ইমুংগী ইচা-ইশু ফাওবদা ৱারক্লিবনি। মসিনা মপান থোক্লা ৱারকপা ঙম্লক্লিবনি হায়খি।

## ‘লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি হায়না জষ্টিস কম্মিটি ওন এংলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ মার্টদ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক্না লাউথোকখ্রে।

লম্ফেল পাৎতা লৈবা অকোম লূপকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা জষ্টিস কম্মিটি ওন এংলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ মার্টদ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক্কী চ্যেরমেন হৈক্রুজম ইবোতোম্বী খুমননা হায়খি, অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরম ওগষ্ট ১৩ দা পাঙথোক্লগনি। মরমদি লৈখিদ্রবশিংবু খঙবা অমসুং খঙহৌদ্রবা কয়াবু পুন্না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদবনি।

লৈঙাক্কী ওইনা ওগষ্ট ১৩ দা কাংজৈবুংগী সাহিদ মিনরদা পাঙথোক্লিবসি বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেল খক্তনি। অদুনা মখোয় মঙা হাৎখি হায়বসিসু মীয়াম্না খঙনবনি। মসি নত্তবা কয়াসু শিখি। অন্দমান নিকোবরদসু খরা থাখি। মসিগুম্বা ময়ামসি নীংশিংজবা ওইনা ওগষ্ট ১৩ অসি মমাঙদগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

ঐখোয়না খঙহৌবা উহৌবা নত্তবা কয়া অমসু লৈবা মরম্না পুল্লপ শুপচিন্দুনা মখোয়গী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা, ঈকায় খুম্নবা উৎপা, নীংশিংজবা থৌরম অমসুনি। মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা লূপ কয়াসু শরুক য়াখি। এংলো মণিপুরী ৱারগী অথৌবা অথৌবীশিংবু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

## নুমীৎ ১০ নিগী মনুংদা কাউন্সীলনা অচুম্বা থিদোক্তুনা পুথোক্ত্রগদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : কে এস এ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): চীং-তম ফাউন্দেসন ফোর ইনোভেটিভ এদ্যুকেসন, য়াইরিপোক্কী ওথোরিটিনা কাউন্সীলগী রেকগনিসন লৌরিবসি ঙসিদগী নুমীৎ ১০ নিগী মনুংদা কাউন্সীলনা অচুম্বা থিদোক্তুনা পুথোক্ত্রগদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কে এস এনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দদা লৈবা কে এস এগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা কে এস এগী সেক্রেটরি জেনরেল সিনাম হেমজিৎ মৈতৈনা হায়খি, কাউন্সীলনা শেম্বা রেগ্যুলেসনদা, মোদিফাইদ রেগ্যুলেসন ফোর রেকগনিসন হায়র সেকেন্দরি স্কুল ২০১৫ গী পোইন্ট ৪ (দি) (আই) দা পীরিবা ইনষ্টিট্যুট অদুগী মিংদা লম লৈগদবা ওইগদবনি হায়রি।

মসিগী মতুংইন্না স্কুল অসিগী ওথোরিটিগী মিংদা লৈবা লম নত্তবদগী কে এস এনা অচুম্বা তৌবীনবা হায়জদুনা লাকপনি। মমাঙ থাগী জুন ৬ তা কাউন্সীলগী সেক্রেটরিদা ফেক দোক্যুমেন্টশিং পীশিনখিবনি। মসিদা রেক্কগনিসন লৌরম্বনি। চহী অসিগী জুন ১৭ দসু লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদসু হিরম অসিগী মতাংদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। মসিদসু থবক ওইনা লৌখৎপীদ্রে।

মসিনা মরম ওইরগা চহী অসিগী জুলাই ২৭ তা অমুক মেমোরেন্দম পীখি অদুবু ঙসি ফাওবা থবক পায়খৎপীদ্রে। ঙসিদগী নুমীৎ ১০ নিগী মনুংদা কাউন্সীলনা অচুম্বা থিদোকপীদুনা পুথোকপীয়ু। অচুম্বা পুথোকপগী মহুৎতা অরানবা শৌগৎতুনা লৈবা তারবদি কাউন্সীলনা শেমখিবা রেগ্যুলেসন পোইন্ট ৪ ককথৎপীরো। অচুম্বা অশেংবা ঙাকপা ঙমদ্রগদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক পুরিবশিং মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপীরো হায়নসু মখা তারি।

## সিকোগী ৯ লকশুবা মপোক কুমওন নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী ৯ লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ৫ দা থোক্লে। থৌরম অসি ইম্ফালগী লময়ানবা শঙলেন দা পাঙথোক্লগনি হায়না সিকোগী প্রসিদেন্ট কোলোমচা অচৌবী খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মপোক কুমওন অসিনা লাকপদা নুংঙাই-য়াইফবা, চাউখৎপা, নুংশি-চান্নবা অমদি নুপী-অঙাংদা চথবা ফত্তবা থৌদোকশিং থোক্তবা ওইরসনু। ঐখোয়গী ইনাৎপুসু হেন্না চাউখৎপা, খুম্মাং চাউশিনবা ওইরসনু। মপান লমদা লৈখ্রবা কংলৈ ইচিল-ইনাওশিংসু সিকোগী মপোক কুমওন লাকপদা নুংঙাই-য়াইফবা, অনা-অয়েং য়াওদবা, পুন্সি-নুংশাংবা ওইরসনু। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরক্লবা কংলৈপাক্তা ঙসিগী মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ ফুরুপ অসিগী মনাৎ অমসুং লাইনিংগী তোপ তোপ্পা মশক লৈরকই। কংলৈ খুন্নাইগী নাৎ অমসুং লাইনিংগী শক্তম তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকখিবা অসিনা মালেমগী লৈমায়দগী কংলৈ ফুরুপকী কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী মীপায়বা লৈরিবনি। মদুগী মহৈনা ঙসিদি লৈবাক্কী থৌরমশিংগী চৎনরোল কায়থরকপা অমদি ফুরুপকী শক্তমদা চাউনা অকায়বা পীরক্লিবনি। কংলৈ খুন্নাইগী শিথরুরবা লোল, লাইনিং হিঙ্গৎ ঈহৌ কনখৎনবা অমদি অরিবা খুভম কনবা হায়বসি কংলৈচা ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা তৌফম থোকপা থৌদাংনি।

কংলৈপাক্কী হৌজিক ওইরিবা মীপায়নিংঙ্গই ওইরবা ফীভমশিং খুদম খরদং পল্লবদা, শেঞ্জা-থুমজানা হারবা, নোংম-নোংমগী ঐখোয়গী পাক চাউবা লম পীকশিল্লকপা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লুপশিল্লকপা, শুদনা নুংঙাইনিংলকপা কয়া অমা য়াওই। মালেমগী হোংলক্লিবা চাউখৎ-লমজেলদা ঐখোয়গী নাৎকী শক্তম অসি হৈ-শিংনা চেকশিন্না শরুক য়াহৌদ্রগদি কংলৈচাশিং পুম্লুপ লুপখিগদৌরি। ট্রেননা মীতোপ মীয়ানচা কয়া পুশিল্লক্তুনা ঐখোয়গী ফুরুপকী শক্তমদা চাউনা অহোংবা লাক্লগনি। লাইনিং-লাইশোন থৌরমশিং হিঙ্গৎনবা, মীতৈ কন্নবা হোৎনবদা অমদি মীতৈগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা সিকোনা কন্না হোৎনরিবা অসিদা মায় পাক্লবা মীয়াম্না কোওপরেসন পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## নেসনল কলচরেল ফেষ্টিভেল কম কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর কলচরেল রিছোর্সেস এন্দ ট্রেনিং ন্যু দিল্লি অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা নুমীৎ ৭ নি চথরকপা ৪২ শুবা নেসনল কলচরেল ফেষ্টিভেল কম কেম্প জে এন এম দি এগী হোলদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঈ কে ভারত শ্রেস্থা ভারত হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী এস থানিল পদ্মশ্রীনা হায়খি, সী সী আর টিনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিনা পীরিবা কান্নবসি এদ্যুকেসনগা লোয়ননা কলচরবু পুন্না চৎমিন্ননবা হোৎনবনি। কলচরগা এদ্যুকেসনগা শাগোন্নদুনা চৎলবদি অফবা পুরকপা ঙম্মী।

পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিসু লমদম লমদমগী ওইবদা লৈরিবা কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা পুনশিন্ননবা পান্দমদা পাঙথোকপা অমসুনি। নুংশিনবা হায়বসি য়াওদ্রবদি পুনবসু ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা আর্ট হায়বসিদা পুন্দ্রবদি ঙমদবা মরম্না ফেষ্টিভেলসিদা পুনবা অমসু ওইরিবনি। ইন্দিয়াসি অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা সী সী আর টি লিংখৎপনি। থৱায় য়াওনা হোৎনবা চঙই। লাইরিকসু তম্বা, কলচরসু তম্বা মথৌ তাই। কলচরদা শৌগৎপীরিবা অসিদা ঐখোয় হোৎনবা চঙই। ঐখোয় খোঙফম অমত্তদা লেপমিন্নরগা কলচর চাউখৎনবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জে এন এম দি এগী ভাইস চ্যেরমেন প্রোফেসর ঐচ তোম্বীনা হায়খি, মণিপুরগী ওইনদি অহানবা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল কম কেম্পনি। মসিনা ঐখোয়গী পুনফমগী খুদোংচাবা অমসু ফংলে। মসিনা ঐখোয়গী কলচরশিংবু খঙমিন্নবা ওইরে। মণিপুরগী কলচরেল হেরিটেজ গী ওইবা খঙমিন্নবদা নত্তনা অতৈ ষ্টেটকী কলচরসু খঙমিন্নরি। মসিনা কলচরেল ইন্টিগ্রেসন পুরকপা ঙম্নবা মরুওইবা থৌরম অমসুনি হায়বসি ইন্দিয়াদা খঙহল্লিবনি।

ঐখোয়গী লৈজরক্লবা ফজরবা কলচরশিং ইন্দিয়াদা খঙহনবা হায়বসি লৈরিবা ষ্টেটশিংনা খঙবা অমসুনি। ঐখোয়গী মরুওইরিবসিসু লাইব্রেরী অমসুং দোক্যুমেন্টেসন তৌবা অসিনি। চহী লিশিং ৭ কী কলচরেল হেরিটেজগী লৈরিবা ফজবশিং অসি য়োক্তুনা থমসি। সী সী আর টিনা লৌরিবা থৌদাংশিং মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদুদা জে এন এম দি এগী দিরেক্টর এল উপেন্দ্রো শর্ম্মা, সী সী আর টিগী দিরেক্টর ইন-চার্জ রিশিকুমার ভাশিষ্ট অমসুং সী সী আর টিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর রাকেশ ভত্রানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

ওইনাম দোরেননা দিরেক্সন পীবা মেঘালয়াদা বেজ তৌবা ফিল্ম মাই নেম ইজ য়ু কৌবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্মসু রিলিজ তৌখি। কেম্প অসিদা শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিং অমদি ওজাশিংদা খুদোল তম্বগা লোয়ননা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি। লমদম লমদমগী অপূনবা মশক্না লোয়নবা কলচরেল পর্ফোমেন্সসু উৎখি।

## সনা জন্মস্থান ক্লব, কৈশামথোংগী দাইমন্দ জুবিলিগী ভেলিদিক্টরি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): সনা জন্মস্থান ক্লব, কৈশামথোংগী চহী ৬০ শুরকপা দাইমন্দ জুবিলিগী ভেলিদিক্টরি থৌরম মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট থোকচোম গোপিমোহোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দাইমন্দ জুবিলি সেলেব্রেসন অসি কুমজা ২০১৮ গী জুলাই ২৯ দগী পাঙথোরকখিবনি। চহী অসিগী জুলাই ২৯ দা দাইমন্দ জুবিলি সেলেব্রেসনগী ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসন পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ লাইশোম ইবোমচা, রিটয়ার্দ দিরেক্টর হেল্‌থ সর্ভিসেস ডা. হুইদ্রোম হেমচন্দ্র, আই এফ এস থিয়াম মোহেন্দ্র প্রতাপ, রিটয়ার্দ ঐচ ও দি, ঈ এন টি রিমস ডা. থিয়াম ইবোহল, ক্লবকী প্রসিদেন্ট থোকচোম গোপিমোহোননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সনা জন্মস্থান ক্লবকী সেক্রেটরি ডা. থিয়াম রনধির, ঐচ ও দি এনিমেল হজবেন্দরি সী এ য়ুনা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

জন্মস্থান ক্লবকী কুমজা ১৯৫৮ কী ফাউন্দর মেম্বর ১৪ দা সার্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন পীখি। দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টকী শেন্থং মখাদা কুমজা ২০১৮ দা সন্থে নেচরেল পার্ক অন্দ্রোদা পাঙথোকখিবা ইনভাইরনমেন্ট ক্যুইজগী শেলগী মনাসু য়েন্থোকখি। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামদা ফর্ষ্ট দিভিজন লাকপা মহৈরোয়শিংদা শেলগী মনাসু য়েন্থোকখি। ক্লাস টেনগী খ্বাইদগী মার্ক হেন্না ফংবী মহৈরোয় য়াইখোম লৈমথোইনু, অপোকপা ডা. য়াইখোম শরতচন্দ্র অমসুং ডা. আর কে সংসারিদা ঙাশেপ্পম নিংঙোল সেঞ্জম ওংবী থম্বাল দেবী অমসুং ইমুং-মনুংনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপুরোইবা সেঞ্জম তোম্বীনৌগী মিংদা কৎপা লুপা লিশিং ৫ গী মনাসু পীখি। অঙাংশিংগী রিসাইটেসন অমসুং পেন্টিং কম্পিটিসনগী মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): আর ও পি ২০১৯ দা প্রাইমারী অমদি গ্রেজুয়েট ওজাশিংবু খ্বাইদগী নেম্বা পে বেন্দ ৱানদা থম্বা হায়বসি নুংঙাইতবা ফাওই হায়না কাউন্সীল ওফ টিচরস এসোসিএসন (কোটা) গী কো-কনভিনর পি কোইরেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, চহী অসিগী জুলাই ২৫ দা লৈঙাক্কা ওজাশিংগা য়ানখিবা মতুংইন্না মণিপুর সর্ভিস রিভাইস পে অদু অচুম্বা ওজাশিংগী সেন্ট্রেল পে ষ্ট্রকচর হায়বদি চপ চাবা ওজাশিংগী ষ্টেটস থম্বীগনি হায়বনি। কোটা অমদি ওজাগী সেক্সন খুদিংমক্না রেক্টিফাইদ তৌরবা আর ও পি ২০১৯ বু ঙাইনরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।




